# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 04-11-2025)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৪-১১-২০২৫, লৈবাকপোকপা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) নুমিৎ হুমিগী মণিপুর খোঙচত্তা লৈরিবা কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি বন্দি শঞ্জয় কুমার ঙসি নোনে জিলাদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনগনি।

২) ইম্ফালদগী পাইখিগদবা ফ্লাইট মশিং হেনগৎনবা অমসুং এরোপ্লেন ভারা হন্থহনবীনবা এম.এল.এ লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোনা সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরিদা তকশিনখ্রে।

**অমসুং**

৩) স্পিসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজননা মীতোপশিং মশক খঙদোকপদা চাউনা মতেং ওইরগনি হায়না সরকারনা হায়রি।

**------**

**শঞ্জয় (এল)ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি বন্দি শঞ্জয় কুমার ঙসি নোনে জিলাদা চত্তুনা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনর, ওফিসিয়েলশিং অমসুং মফম অদুগী

মীয়ামগা পুন্না মীফম পাঙথোক্কনি। এস্পিরেসনেল দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইবা জিলা অসিগী থবক থৌরমশিংগী ফিভম য়েংশিনগনি। মহাকা পন্দুনা লৈরিবা থবক থৌরমশিং লোইশিন্নবা জিলা অসিগী মীয়ামগা ৱারি শান্নগনি। মন্ত্রিনা জিলা অদুদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী ফিভমসু য়েংশিনগনি।

নুমিৎ হুমিগী খোঙচত্তা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসি ঙরাং বিরতিকেন্দ্রজিৎ ইন্তরনেসনেল এয়রপোর্টতা থুংলখিবনি। তুংদা, ওল সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা মীফম পাঙথোক্তুনা কেন্দ্র সরকারগী তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং অমসুং গ্রোস বদজেটরি সপোর্টকী চাদা ১০গী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী খুন্দা লৈতাহন্নবা অমসুং মখোয়বু তেংবাংনবগীদমক কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না থাদখিবা শেনফমগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নখি। মীফম অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিনা রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা ফ্লেকশিপ প্রোগ্রামশিং নিংথিজনা পায়খৎহন্নবা অমসুং পন্দুনা লৈরিবা থবকশিং অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা পাউতাক পীখি। তুংদা, কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিনা রাজভবনদা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভাল্লাগা উনখি।

মন্ত্রিনা হয়েং চুরাচান্দপুর জিলাদা চত্তুনা মফম অদুগী ওফিসিয়েলশিংগা উনদুনা এস্পিরেসনেল দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরিবা চুরাচান্দপুরগী থবক থৌরমশিংগী ফিভম য়েংশিনগনি। মহাকা জিলা অদুদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী মফমশিং চত্তুনা য়েংশিনগনি অমসুং মফম অদুগী লুচিংবশিং ষ্টেকহোল্ডরশিং উনদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিংগী মতাংদা লোইশিন্নবা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। অকনবা চেকশিল থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে-৩৭ দা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গারি ৩৮১ অশোয় অঙাম য়াওদনা পুশিল্লকখ্রে। মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী নিউ কৈথেলমানবী পুলিস

স্তেসনগী মনুং চনবা লোইবোল খুল অমসুং চরাই পন্দোংবা পার্ট ১গী তাইনবা উমংদগী তুয়েল্ব বোর রাইফল ২, পোইন্ট ২২ রাইফল ১, কন্ত্রিমেদ পম্পী লোঞ্চর ১, হেন্দসেট ১ অমসুং পোইন্ট ২২ গী কাপ্পা য়ারিবা মরু ২০ ফাগৎলে।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা নোংগ্রেং অৱাং লৈকাইদগী য়ু.পি.পি.কেগী মীওই অমা ফারে। সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী কাংচুপ পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা লাংজোল অমসুং ৱাফোং খুলগী লোন্নবা মফমশিং অমদি শোংলুং খুলদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে। লম একর ৩০ রোমদা থারম্বা পোপীশিং অদুগা লোয়ননা মফম অদুদা লৈরম্বা খাঙপোকশঙ ৩, হার বেক ৩ অমসুং থুম মাং তাকহনখ্রে। মফম অদুদা মৈ চাক্লবা জিপ্সি গারি অনি অমসু লৈরম্বা থেংনখি হায়রি।

**দেঙ্গি (এল)ঃ** মণিপুরদা ঙরাং মীওই ৯৯ নৌনা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। পুন্না সেম্পল ২০০ তেষ্ট তৌবদা মীওই ৯৯ অসি পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবনি। জেনিমস হোস্পিতালদা সেম্পল ১৪৯ তেষ্ট তৌবদা মীওই ৭৭ দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। রিমস হোস্পিতালদা মীওই ৫০ তেষ্ট তৌবদা ২১ পোজিতিভ ওইখি। লন্নাই হোস্পিতালশিংদা সেম্পল অমা তেষ্ট তৌবদা অমা পোজিতিভ ওইখি।

**বিরেন (এল)ঃ** বি.জে.পি লুচিংবা নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহনা ইং ২০২৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসিদা দ্রগ শুংবা অমসুং সপ্লাই তৌবগী থবক পুংমুৎ মুথৎলগনি হায়না লাউথোকখিবা অসিমক য়ামা থাগৎনিঙাইনি। গৃহ মন্ত্রিনা অসিগুম্বা ৱাফম থৌনা ফনা ফোঙদোকখিবা অসি থাগৎনিঙাইনি। শ্রী বিরেননা হায়- ভারত অসি মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইনা হৌগৎলক্লি। লৈবাক অসিগী নাগরিকশিং, নহাশিং অমদি মহৌশাদগী

লৈরক্লবা জাতি কাংলুপশিং অসিগুম্বা থৌরাং অসিনা দ্রগকী সমস্যাশিংদগী পুমকোক কোকপা ঙমহল্লগনি। মহাকা হায়- মীয়ামগী অচেৎপা ফিরেপ অমনা অসিগুম্বা অসি ওইহনবা ঙমগনি।

**ফ্লাইট(এল)ঃ** এম.এল.এ লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোনা কেন্দ্রগী সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি সম্মির কুমার সিনহাদা এরোপ্লেনগী ভারা মমল হন্থহনবীনবা অমদি ইম্ফালদগী কোলকতা অমসুং ইম্ফালদগী গুৱাহাতি পাইবগী ফ্লাইট হেনগৎহনবীনবা তকশিনখ্রে। শ্রী সম্মির কুমার সিনহাদা ইবা চিথি অমদা শ্রী সুসিন্দ্রোনা হায়-হায়রিবা ফ্লাইট রুদ অনি অসি রাজ্য অসিগী মহৈরোইশিং, অনা-লায়েংগীদমক, সরকারগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং করবারগীদমক য়ামা মরুওইবা লম্বীনি। অদুম ওইনমক অককবা ফ্লাইট লৈবনা মীয়ামগী চথোক চৎশিনদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে। এয়রলাইন্স খরনা অহেনবা ভারা লৌরিবা অসি য়েংশিনবীদুনা মীয়ামা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহনবীয়ু। মন্ত্রালয়না অথুবা মতমদা থবক লৌখৎপীনবা মহাকা সেক্রেটরিশিংগী পুকিং চিংশিনখি।

**ই.সি.আইঃ** ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি স্পিসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন(এস.আই.আর)গী অনিশুবা রাউন্দ হৌদোক্লগনি। থৌরাং অসিনা রাজ্য ৯ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি ৩ গী ভোতর কোতি ৫১ কোনশিনগনি। পাক শন্না পাঙথোক্লিবা ইলেক্তোরেল রোলগী রিভিজন অসি মথং চহীগী ফেব্রুৱারি ৭ তা ফাইনেল ইলেক্তোরেল রোল ফোঙদুনা লোইশিনগনি।

স্পিসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজনগী ইন্ন্যুমরেসন স্তেজ ঙসিদগী হৌরগা দিসেম্বর ৪ ফাওবা চথগনি। দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোলনা দিসেম্বর ৯ দা ফোঙগনি। ভারতনা নিংখা তম্লবা মতুং অসিগুম্বা রিভিজন পাঙথোকপা অসি হন্দক্কী অসিনা ৯ লক শুবনি। অরোইবা ওইনা ইং ২০০২ অমসুং ২০০৪ গী

মরক্তা পাঙথোকখ্রে। স্পিসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন পাঙথোকপা অসিনা ভোতরশিংগী পোকফম খঙদোকপা ঙমগনি। সরকারগী পাউনা হায়- থৌরাং অসিনা নাগরিক অমগী চপ চাবা মশক খঙদোকপা ঙমগনি। মরুওইনা, হন্দক্তা বঙ্গলাদেশ অমসুং ম্যান্মারদগী আইন কাইনা মীতোপশিং চংশিল্লকখ্রবা মতুং মসিনা মীশক খঙদোকপদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

মরক অসিদা, লাক্লিবা শগোলশেল নুমিত্তা ভোৎ থাদনগদৌরিবা বিহার বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী মতম ঙসিনা লোইরে। এন.দি.এ অমসুং গ্রান্দ এলাইয়েন্সকী কাংবুশিংগী স্তার কেম্পেনরশিংনা ঙমজবী থাদনা ভোটরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি বিহারদা মেরা বুট সবসে মজবুট হায়বা থৌরাংগী মখাদা নুপীশিংগা ৱারি শান্নগনি। ৱারি শান্নগদৌরিবা অসিগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-বিহার বিধান সভা মীখলদা বি.জে.পি অমসুং এন.দি.এ চুংশিন্নবা কাংবুশিং মাই পাকবা হোৎনবদা নুপীশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। মহাকা হায়- মীখলগী কেম্পেনরশিংদা নুপীশিং মপুং ফানা য়াওশিল্লকপা অসিনা বিহারদা গনতন্ত্রিক ওইবা লম্বীগী হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লে।

বিহার বিধান সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোৎ খোম্বগী থবকসু কনখৎলক্লি। অমনা অমবু হুন্দুনা ঙাংনবা, য়ুম য়ুম চংদুনা ভোৎ খোন্বা, রোদ শো পাঙথোকপা, মীখলগী রেল্লি পাঙথোকপনা মপুং ওইবা শক্তম ওইরি। অহানবা তাঙ্কক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ১২১ দা মীখল পাঙথোক্কনি। অনিশুবা তাঙ্কক্তনা বিধান সভা কেন্দ্র ১২২ দা ভোৎ থাদনগনি।

**জিতেন্দ্রঃ** কেন্দ্রগী পার্সনেল, পব্লিক গ্রিভান্সেস অমসুং পেন্সন্সকী রাজ্য মন্ত্রি ডা.জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি-পেন্সনরশিংগী দিজিতেল মোদ লাইফ সার্তিফিকেট হৌদোকপা অসিনা সরকারনা দিজিতেল এম্পৱরমেন্টগী থবক পায়খৎলিবা অসিগী লারবা খুদম অমনি। থৌরাং অসিনা চৎপা ঙমদ্রবা, নাদুনা লৈরিবা অমদি

অহল ওইরবা পেন্সনরশিংদা চাউনা খুদোংচাবা পীরগনি। মন্ত্রিনা ঙরাং নিউ দেল্লিদা মেগা পেন্সনরস কেম্প হৌদোকখি। মদুদা, দিজিতেল লাইভ সার্তিফিকেট ৫০০ হেন্না জেনরেট তৌখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হোম বন্দি সঞ্জে খঙহৌদনা ইম্ফালদা থুংলখ্রে, সেন্ত্রেল স্কিমশিং চাদা ১০ গ্রোস বদজেতরি সপোর্টকী মতাংদা তকখৎখ্রে হায়না- সনালৈবাক পাউচেদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মণিপুরগী হান্নগী সি.এমগীনি হায়বা লিক ওইখিবা ওদিও ক্লিপ তেম্পর তৌইঃ সুপ্রিম কোর্ট হায়বা পাউ অমা- পোকফম পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মণিপুরদা টুরিষ্ট লাকপগী মশিং খংহন হন্থখ্রে, কুমজা ২০১৯ দা টুরিষ্ট লাক্ষ ১ লিশিং ৭৯ হেন্না লাক্লম্বদু, কুমজা ২০২৪-২৫ দা সুপতগী টুরিষ্ট লিশিং ১৭ খক্ত লাকখ্রে হায়না- হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা আই.দি.পিশিংদা দাইরেক্ট বিনিফিট ত্রান্সফরগী খূৎথাংদা মীওই অমদা নোংমদা লূপা ৮৪ পীরগনি হায়না- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

ইম্ফাল গুৱাহাতিগী ফ্লাইট অতোংমল অৱাং নোংপোক্কী অতৈ ষ্টেটশিংদগী চাদা ৭০০ হেল্লি হায়বা পাউ অমা- সঙাই এক্সপ্রেস পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসিগী সব হেদলাইন ওইনা ফ্লাইট অতোংমল

য়েংশিন্নবা তকশিনখ্রে হায়না ফোঙলি।

লাইওং খংদনা ওক্ত শন্দোরক্লিবা লায়না অসি অথুবা মতমদা ভেতরিনরি দিপার্টমেন্টনা য়েংশিন্নবা এসোসিয়েসননা তকশিনখ্রে হায়না- নহারোলগী থৌদাংগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

ওন্ত্রপ্রন্যুরশিপ দেভপমেন্ট প্রোগ্রাম হৌদোকখিবগী পাউ- মণিপুর মেলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

মিজোরমদা লূপা কোতি ৪৫গী দ্রগ ফাবগী পাউ- পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

তামেংলোংগী লম্বী খরদা রিজিদ পেভমেন্ট থাবা ঙরাংদগী হৌখ্রে হায়না -গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

অমুর ফেলকনগী মতাংদা তামেংলোং কোলেজতা এৱেরনেস কেম্পেন অমা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমা- তামেংলোং তাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**